অহানবা অন্দর-১৫ রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৯

# গুরুঅরিবম এরোস্মিট শর্ম্মনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): সলাই চেছ একাদেমিনা শীন্দুনা উরিপোক হুইদ্রোম লৈকায়, সলাই চেছ একাদেমিদা পাঙথোকপা অহানবা অন্দর-১৫ রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৯দা গুরুঅরিবম এরোস্মিট শর্ম্মনা অহানবা পোজিসন, ক্ষেত্রিময়ূম এমসননা অনীশুবা অদুগা জালেশ থৌদামনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

তোঙান তোঙানবা নুপামচা ১৯ অমসুং নুপীমচা ১২ পুন্না শান্নরোয় ২৯না শরুক য়াদুনা চথুরিবা অহানবা অন্দর-১৫ রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা গুরুঅরিবম এরোস্মিট শর্ম্মনা পোইন্ট ৬, বুচহোল ২২ ফংদুনা অহানবা, ক্ষেত্রিময়ূম এমসন্না পোইন্ট ৫, বুচহোল ২০, বুচহোল-কট ৱান ২০ অমসুং সোন্নেবোর্ন বেগর ১৪ ফংদুনা অনীশুবা অদুগা জালেশ থৌদামনা পোইন্ট ৪.৫, বুচহোল ২৬, বুচহোল-কটৱান ১৬.৫ অমসুং সোন্নেবোর্ন বেগর ১৭.৭৫ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপামচাগী চহী ১০ মখাগীদা দয়ানন্দ থৌদামনা পোইন্ট ৪, বুচহোল ২১.৫, বুচহোল - কট ৱান ১৫ অমসুং সোন্নেবোর্ন বেগর ১২.৫০ ফংদুনা অহানবা অদুগা লাইশ্রম টিদিসন মৈতৈনা পোইন্ট ৩, বুচহোল ২২, বুচহোল-কট ৱান ১৪ অমসুং সোন্নেবোর্ন বেগর ৯ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। নুপীমচাগী চহী ১০ মখাগী কেটেগোরিদা নদিয়া সৌগাইজমনা পোইন্ট ৪, বুচহোল ১৬, বুচহোল-কট ৱান ১১.৫ অমসুং সোন্নেবোর্ন বেগর ৭.৫০ ফংদুনা অহানবা অমদি নোংথোম্বম লনজিনিকা চনুনা পোইন্ট ৩, বুচহোল ১৫.৫, বুচহোল - কট ৱান ১১.৫ অমসুং সোন্নেবোর্ন বেগর ৪.৫০ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

অহানবা অন্দর-১৫ রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৯দা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবশিংদা শেলগী মনা লুপা ১৫০০, ১০০০ অমদি ৫০০গা লোয়ননা ট্রোফি খূৎশিন্নখি।

৭শুবা ষ্টেট লেভেল ফোর মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট

# এল কে সী সী (সী) না চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): লংথবাল খৌপুম কলচরেল ক্লবনা শীন্দুনা লংথবাল খৌপুম প্লেগ্রাউন্দদা চথুরকখিবা ৭শুবা ষ্টেট লেভেল ফোর মেন সোক্কর ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা এল কে সী সী (সী) না আই ৱাই সীবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথুরকখিবা ৭শুবা ষ্টেট লেভেল ফোর মেন সোক্কর ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা এল কে সী সী (সী) অমসুং আই ৱাই সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা অহানবা পাঞ্জল চন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরকখি। অদুবু টিম অনীমক্কী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা টিম অনীনা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী তোঙান তোঙানবা টেক্নিক কয়া শীজিন্নদুনা পাঞ্জল চন্নবা তক্কদুনা লম্বা তৌনরকখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদবদগী পেনালটি কাওনদুনা মায় পাকপা টিম খনবা তাখি।

টিম অনীগী শান্নরোয় ৫/৫না কাওনখিবা পেনালটি অদুদা এল কে সী সী (সী) গী মায়কৈদগী জি অখাম জর্সি নম্বর ২৩ নত্তনা অতৈদি পাঞ্জল চনখিদে। অদুগা আই ৱাই সীগী মায়কৈদগীদি পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। মেচ অদু এল কে সী সী (সী) না আইৱাইসীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রনা আই ৱাই সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১০ পানি, টোপ স্কোররনা এল কে সী সী লংথবাল খৌপুমগী শান্নরোয় গোলমৈ জর্সি নম্বর ৯ অদুগা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা পি য়ু বি জিনা তাখি।

২৮শুবা ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ এন্দ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম

# জুনিয়র গর্লসতা সন্ধ্যারানিনা অহানবা, জিটেশ্রীনা ২শুবা অমদি সর্দানা ৩শুবা তাখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর কেরোম এসোসিএসন্না শীন্দুনা নোংমৈবুং মল্টিপরপজ কম্মুনিতি হোল একাদেমি রোদতা পাঙথোক্লিবা ২৮শুবা ষ্টেট লেভেল এজ ক্রুপ এন্দ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম চেম্পিয়নশিপ ২০১৯-২০গী জুনিয়র গর্লসকী কেটেগোরিদা এম সন্ধ্যারানিনা অহানবা, এস জিটেশ্রীনা অনীশুবা অমদি টি ঐচ সর্দানা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

২৮শুবা ষ্টেট লেভেল এজ ক্রুপ এন্দ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম চেম্পিয়নশিপ ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা ভেটরানগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এম দি অবদুলকলামনা বিমোলজিৎপু পোইন্ট ১৪-১২, ৯-৩দা; অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এন ব্রোজেননা এন সনামতুমবু পোইন্ট ২৫-০, ২-০দা; অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এল কেশোনা কে ঐচ খোইবীবু পোইন্ট ২৩-৪, ২৫-৩দা অদুগা মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেলে মচতা কে কুমারনা কে ঐচ জুগিন্দ্রোবু পোইন্ট ২১-৫, ১০-১২, ১৯-১১দা মায়থীবা পীখি।

সব জুনিয়র বোইজকী কেটেগোরিদা এস ঐচ সুরেসনা অহানবা, এম গোরোবনা অনীশুবা, এম জোনকেরিনা অহুমশুবা অমদি এম মুক্তানা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

সব জুনিয়র গর্লসকী কেটেগোরিদা এম এরিনানা অহানবা, মমতা তৌরাংবম্না অনীশুবা, এম মন্দাকিনিনা অহুমশুবা অমদি দাইনা লৈতাঙ্থেমনা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র বোইজকী কেটেগোরিদা এম সদানন্দনা অহানবা, কে এস ঐচ বোয়নাওনা অনীশুবা, রিথিকনা অহুমশুবা অমদি এম গোরোবনা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

৭শুবা ফান্টু কপ ২০১৯

# য়ু এন আই এস এনা কে দি সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): লম্খুং য়ুথ অমসুং কলচরেল ক্লবনা শীন্দুনা এম য়ু জি ঐচ এস এস গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৭শুবা ফান্টু কপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা য়ু এন আই এস এনা কে দি সী মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ৭শুবা ফান্টু কপ ২০১৯গী ঙসি য়ু এন আই এস এ অমসুং কেদিসী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা টিম অনীনা পাঞ্জল চন্নবা তোঙান তোঙানবা লাল্লোং কয়া চথুদুনা এটেকশিং চথুনরকখি। অদুবু টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীনা ফজনা তক্কদুনা শান্নরবসু মখোয় মখোয়গী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈনখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদবদগী মেচ অদু পেনালটি কাওনখি।

টিম অনীগী শান্নরোয় ৫/৫না কাওনখিবা পেনালটি অদুদা কে দি সীগী শান্নরোয় মঙামক পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অদুগা য়ু এন আই এস এগী মায়কৈদগীনা শান্নরোয় মঙাগী মনুংদা পাঞ্জল ৪খক চনখিবনা কে দি সীনা পাঞ্জল অমা হেন্দুনা মেচ অদু পাঞ্জল ৫-৪দা মায় পাকখি।

# টি ঈ কে এনা থাংমৈবন্দবু থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): মণিপুর কাং এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা টি ঈ কে এনা শীন্দুনা ঈরৈমা শঙলেন, পিশুম থোংদা চথুরিবা সার চুড়াচান্দ সিংহ (কে সী এস আই - সী বি ঈ) মেমোরিএল লীগ কম নোক-আউট কাং টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা টি ঈ কে এনা থাংমৈবন্দবু স্কোর ৩৬-১৮দা থোইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা কাংখূৎ কয়ানা শরুক য়াদুনা চথুরিবা সার চুড়াচান্দ সিংহ (কে সী এস আই - সী বি ঈ) মেমোরিএল লীগ কম নোক-আউট কাং টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা টি ঈ কে এনা অহানবা হাফতা স্কোর ২০ অমসুং অনীশুবা হাফতা স্কোর ১৬ পুন্না স্কোর ৩৬ তৌখি। অদুগা থাংমৈবন্দনা অহানবা হফতা স্কোর ৯ অমসুং অনীশুবা হাফতা স্কোর ৯ পুন্না স্কোর ১৮ তৌখিবনা মেচ অদু টি ঈ কে এনা থাংমৈবন্দবু স্কোর ৩৬-১৮দা থোইখি।

# শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): অসাম ফুটবোল এসোসিএস-নগী লমজিং মখাদা বোদৌসা স্পোর্টস ক্লবনা শীন্দুনা অসামগী তিনসুকিয়াদা চথুরিবা ওল ইন্দিয়া ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা লিকাং স্পোর্টস ক্লব অরুনাচল প্রদেশপু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

# ইন্দো ম্যান্মার বোর্দরদা অসাম রাইফলসনা ফ্রেন্দস্পিপ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট শীনখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএন এস): অসাম রাইফলসনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগী লোন্নবদা ফ্রেন্দসিপ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট শিন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

থা অসিগী ২৭তগী হৌখিবা অহানবা ফ্রেন্দসিপ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদু ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগী বোর্দরদা লৈবা লৈবাক অনীগী খুঙ্গংশিংগী টিম ১২ (ম্যান্মারগী মায়কৈদগী ৫ অমসুং ইন্দিয়াদগী ৭)না শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অদু ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার অনীগী মরক্তা অফবা মরী হেন্না লৈহন্নবগী পান্দমদা অসাম রাইফলসনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোকখিবনি।

ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ম্যান্মারগী তৈজাং ভিলেজগী টিম অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী নমপিসা ভিলেজগী টিমগা লম্বা তৌনখি। অপীবা মতমদা টিম অনীমক পাঞ্জল মান্নদুনা লৈখিবদগী পেনাল্টি সুট আউটতা ম্যান্মারগী তৈজাং ভিলেজ টিমনা পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা অহানবা ফ্রেন্দসিপ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখি। চেম্পিয়ন টিম অদুনা লুপা ৩৫,০০০ অদুগা রন্নর্সঅপনা লুপা ২৫,০০০ ফংখি।

৪শুবা য়ুনিট বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯

# এন হেরোজিৎ অমসুং টি ঐচ তোম্বনা ৱিন্নর ওইখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): অহুমশুবা আই আর বি ৱাংবলনা শীন্দুনা ৱাংবল আই আর বি কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ২৪দগী নুমিৎ হুমনি চুপ্না চথুরকখিবা ৪শুবা য়ুনিট বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি লোইশিনখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকীদা এন হেরোজিৎ মীতৈ (আই পি এস) অমসুং টি ঐচ তোম্বনা ৱিন্নর ওইখ্রে। এ কেদিজাওগো অমসুং ঐচ প্রিয়োকুমারনা রন্নর্স-অপ তাখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট অম্পয়রনা টি ঐচ রাজু, বেষ্ট প্লেয়রনা এ কে বোবোচা, বেষ্ট দিসিপ্লিন প্লেয়রনা ঐচ ইঙো অমসুং এম ইন্দ্রজিৎনা তাখি।

# মণিপুর অত্য পত্য জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): চান্দিগড়গী পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটিদা ওক্টোবর ৪দগী ৬ ফাওবা চথুগদৌরিবা অহুমশুবা বোইজ এন্দ গর্লস জুনিয়র অত্য পত্য নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়ানবগীদমক ওল মণিপুর অত্য পত্য জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

অহুমশুবা বোইজ এন্দ গর্লস জুনিয়র অত্য পত্য নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়াগদৌরিবা নুপামচা শান্নরোয়শিং অদুদি নিংথৌজম সাইনিশ, লাইশ্রম বিশ্বামিত্র, অতিয়াঙানবা নিংথৌজম, থৌনাওজম দিয়াসন, রোজর তোইজম, পাইখোম হৌসম্বম, মাইবম বিশোনাথ, ওইনাম নিলকান্ত, মোংজম সিঙম্বা খুমন, লাইশ্রম জেনিম, লাইশ্রম জেরিসন অমদি লকি নিংথৌজমনি।

নুপীমচা শান্নরোয়শিং অদুদি সুসিত্রা চিরোম, লাইশ্রম প্রিটিকা, নোংমাইথেম লুকাসিয়া, মোংজম প্রিটিকা, হৈস্নাম জয়মতি, জোতিকা তোইজম, ইলিতাথোইবী নিংথৌজম, ভেলেন্টিনা তোংব্রম, জেনিশ ৱাহেংবম, প্রীটি য়েংখোম, সেল্লি য়েংখোম অমদি লাইশ্রম প্রিয়াঙ্কানি। ওফিসল ওইনা ৱারেপম বিরেন, য়ূম্নাম অজিৎকুমারনা কোচ অমসুং থৌদাম অশাকুমার অমদি দিনেসকুমারনা মেনেজর ওইনা শান্নরোয়শিং অদুবু লুচিংখি।










EMPLOYMENT NEWS

| Sl. no | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Deputy Manager | Graduate / Master (Computer Know) | 2 | Negotiable | 30-45 | H.Q |
| 2 | Office Assistant | Graduate (Computer Know) | 2 Each | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Moirang |
| 3. | Mechanic/Painting Mistry(2/W,3/W& 4/W) | 3-7yrs Exp. | 3+2 | Rs.8,000 to Rs.22,000 p/m | 20-40 | H.Q |
| 4. | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | Rs.6,500 to Rs.18,500 p/m | 18-25 | H.Q |
| 5. | Tyres Workshop Mistry | 3 to 5 yrs. Exp. | 8 | Rs. 6,500 to Rs.18,500 p/m | 20-35 | H.Q/Branches |
| 6. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 7. | Iron Soldering Mistry | 3 to 5 yrs. experience | 3 | Rs. 9,000 to Rs.22,000 p/m | 22-45 | H.Q/Branches |
| 8. | Brick Mistry | 5 to 10 yrs. experience | 3 | Rs. 9,000 to Rs.23,000 p/m | 25-45 | H.Q/Branches |
| 9 | Driver (Car/Tata) Unmarried | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 20-35 | H.Q |

#Interested candidates can apply with their personal BIO-DATA along with recent passport size photographs and Contact No. to the following address on or before 8th Oct,2019.

L.G.MOTORS (H.Q), KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL WEST, NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING.

HL-B/5644/3-31Oct. Pleased Contact: 8787727402

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com